# রসিয়ন ট্রুপশিংনা বুচা অমসুং ইর্পিন সিটিশিংদা মীচম ৪১০ হাৎলম্লে: য়ুক্রেন এদভাইজর

কিভ, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):



য়ুক্রেনগী কেপিটেল সিটি কিভকী চিদাইদা মীচম চা কয়া পাক্তক্লনা হাৎপা অমদি ওৎ নৈবগী মরাল শীরবা রসিয়ন ট্রুপশিংনা কেপিটেলদগী খরা হেন্না থাপ্না লৈবা ভিলেজ অমসুং টাউনশিংদা হেন্না শাথিবা মীওৎ মীনৈশিং চথরম্বা য়াই হায়না প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগী এদভাইজর অমনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

দেলি মেলগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কিভকী নোংচুপলোমদা লৈবা বুচা অমসুং ইর্পিন সিটিশিংদা য়ামদ্রবদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম ৪১০ হাৎলম্লে। অশিবা হকচাংশিং লম্বীশিং অমসুং বেজমেন্টশিংদা চাইনা তারম্বা অমদি হাথু হাথু তৌরগা শেম্বা অচৌবা মোঙফমশিংদা পৈশিল্লম্বা থেংনখি।

চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা রসিয়ন ট্রুপশিং লমদম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাংশিং অদু থেংনখিবনি। রসিয়ন ফোর্সশিং ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুং লমদম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখিবা কিভতা বেজ তৌবা জর্নেলিষ্টশিংনা হায়রি, মদুদি মখুৎ তুংবুন্নরগা নোংমৈনা কাপখিবা মীচমশিং য়াওনা ৱার ক্রাইমশিং চথখিবগী ইভিদেন্স ফঙখি।

টোর্চর অমসুং রেপকী মার্কশিং য়াওবা অতে হকচাং কয়াসু থেংনখি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগী এদভাইজর ওইরিবা য়ুক্রেনগী হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর টিমোথি মাইলোভাইনোবনা হায়রি, মদুদি কিভকী নোংপোক থংবা বোরোবারি সবর্ব অমসুং রসিয়ন বোর্দরগা নক্লবা সিটি অমা ওইরিবা চারনিহিবকী হায়ৱে পরিংদা লৈবা ভিলেজশিংদা হেন্না শাথিবা মীওৎ মীনৈ কয়া চথরম্বা য়াই।

এদভাইজর অসিনা জর্নেলিষ্টশিং অমসুং উকিলশিংদা লমদম অদুদা চত্তুনা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট শেম্বদা মতেং পাঙননবা আপিল তৌখি।

চৈরকসিদা রসিয়ানা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংবু কিভকা নক্লবা বুচা সিটিদা মীচমশিংদা নোংমৈনা কাপ্পগী মরাল শীখ্রে। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, রসিয়ন ফোর্সশিং টর্কিদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী দেলিগেসনশিংনা মায় মায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা মতুং মার্চ ৩০ দা মপুং ফানা ৱিদ্রো তৌখি হায়বসি ঐখোয়না য়ুক্রেনিয়নশিংদা নাখে শেংনা খঙহনবা পাম্মী। য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা বুচা, কিভ রিজনদা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ পায়বা পায়দবা থীদনা নোংমৈনা কাপখি।

বুচা অমসুং কিভ রিজনদা রসিয়ন সার্ভিসমেনশিংনা ক্রাইম কয়া চথখি হায়বসি উৎননবা কিভ রেজিমনা ফোঙবা ফোটোশিং অমসুং ভিদিওশিং অদু তশেংনমক অতোপ্পা কায়হৌবগী থৌওং অমনি।

টাউন অদুবু রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা কন্ট্রোল তৌরিঙৈ মতমদা লোকেল রেসিদেন্ট অমত্তা খুদোংথীবা ফিভমশিং মায়োক্লখিবা লৈতে। কিভ রিজনগী মীচম মীয়ামদা রসিয়ন সার্ভিসমেনশিংনা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেং ওইবা পোৎলম টন ৪৫২ য়েন্থোকখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা সিটি অদুবু কন্ট্রোল তৌরিবমখৈ মীচম মীয়াম নিংতম্না চথোক চৎশিন তৌই।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ক্লেম তৌরি মদুদি বুচা সিটিদগী থোক্লবগী লম্বীশিং অথিংবা অমত্তা পীখিদে অমসুং লোকেল মীওইশিংনা টাউন অদুবু অৱাং থংবা মায়কৈদা চত্তুনা বেলারস ফাওবা য়ৌবা য়াই।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়, সিটি অদুগী খা থংবা চিদাইদা লৈবা মী তাবা মফমশিংদা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা অচৌবা-কেলিবরগী আর্টিল্লরি, টেঙ্কশিং শীজিন্নদুনা অয়াম্বা মতমদা সেল কাপশিনবগা লোয়ননা মল্টিপল রোকেট লোঞ্চশিং চথখি। টাউন অদুদা রসিয়ন সার্ভিসমেন অমত্তা লৈত্রে হায়বসি বুচা মেয়র এনাটোলি ফেদুরুক্না মার্চ ৩১ দা ভিদিও মেসেজ অমদা কনফার্ম তৌখি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোরকখি।

# মীয়ামগী প্রোটেষ্ট লেপ্তবদগী প্রেসর লৈরবা শ্রীলঙ্কাগী কেবিনেট রিজাইন তৌখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দর রাজাপক্সাগী গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না লম্বীদা প্রোটেষ্ট তৌবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা রাজাপক্সা খত্তমক য়াওদনা লৈবাক অসিগী মিনিষ্টরশিংগী কেবিনেট রিজাইন তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কেবিনেট মিনিষ্টর পুম্নমক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মখোয়গী রেজিগনেসনগী চেরোলশিং মঙোন্দা পীশিনখি।

দিনেস গুনৱার্দেননা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিএল পোর্টফোলিও প্রাইম মিনিষ্টরদা শিন্নরবা মতুংদা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী ইস্যুশিং প্রাইম মিনিষ্টরগা খন্নখি অমসুং মঙোন্দা ফম থাদোকপগী চেরোলশিং শিন্নখি।

গুনৱার্দেননা হায়খি, মদুদি শ্রীলঙ্কান প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা নিংথৌকাবগী অঙনবদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা গভর্নমেন্টগী তুংগী ফিরেপ লৌগনি। অদুম ওইনমক ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী রেজিগনেসনশিং অদুগী ৱারেপশিংদি ফাইনেলাইজ তৌখিদে। মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কনখৎলক্লিঙৈ মরক্তা রুল্লিং কোল্লিসন পার্টি কয়ানা কেবিনেট মুখথৎনবা অমসুং ওপোজিসন য়াওনা পার্টি পুম্নমক্কী অয়াবগা লোয়ননা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি।




নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা মহিন্দর রাজাপক্সাগী মচানুপা অমসুং লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর নামল রাজাপক্সানা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি অমসুং মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখি।

শ্রীলঙ্কানশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা কার্ফিয়ু থুগায়দুনা নিংথিনা ঙাক শেল্লিবা লম্বীশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং রাজাপক্সা গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌনবা তকশিনখি।

পার্টি পুম্নমক রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মীয়াম্না শিল লাংদুনা পাঙথোক্লিবা প্রোটেষ্টশিং অদু প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সানা থিংনবা হোৎনখি। মহাক্না মীয়ামগী প্রোটেষ্ট থিংনবা হোৎনরদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদগী সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম পুম্নমক থিংজিনবগা লোয়ননা ইম্মর্জেন্সি লো অমসুং কার্ফিয়ু থমখি।

অদুম ওইনমক নমল রাজাপক্সানা মহাক্কী মখুৱা গোটাবয়ানা সোসল মিদিয়া থিংখিবদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ফোরেন বোরোৱিং হেনমনবদগী দোল্লরগা চাংদম্নবদা শ্রীলঙ্কাগী করেন্সিগী ভেল্যু কা হেন্না নল্লকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লৈবাক শিন থুংনা প্রোটেষ্ট চথরকখিবনি।

# কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লিঙৈ মরক্তা সাংহাই সিটি শিংবা থুংনা এন্টিজেন টেষ্টিং হৌখ্রে

সাংহাই, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

চাইনাগী সাংহাই সিটি শিনবা থুংনা এন্টিজেন টেষ্টিং হৌখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্টিং হৌরগনি হায়রি।

লোকেল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না মেত্রো পোলিস অসিদা হন্দক্তা কোভিদ ১৯ কেস হেনগৎলকখিবা অসিবু লাকশিন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না সিটি শিনবা থুংনা এন্টিজেন টেষ্টিং পাঙথোকপা হৌখিবনি।

সাংহাই ম্যুনিসিপাল হেল্‌ঠ কম্মিসনগী ওফিসার অমা ওইরিবা ৱু কিয়াং য়ুনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি থৌরাংশিং অসি লায়না অসি শন্দোরকপা য়াবগী রিস্কশিং মপুং ফানা লৈহন্দনবগী পান্দমদা লৌখৎপনি। মসিনা ট্রান্সমিশন চেন থদৎতুনা ভাইরস অসি শন্দোরকপা লাকশিনগনি অমসুং অথুবা মতমদা জেরো-কোভিদকী ষ্টেটস এচিব তৌবা ঙমগনি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সাংহাইদা থাংজ নুমিত্তা লোকেল ট্রান্সমিশনশিং ওইবা কোভিদ ১৯ গী কেস ৪৩৮ রিপোর্ট তৌখি অমসুং লাইওং চেন্দবা করিয়র ৭৭৮৮ থেংনখি।



জিঙ্গা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ঝাং হোংয়িং কৌবা মীওই অমনা ৱিচেটতা অর্জেন্ট মেসেজ অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা ফঙখি। মহাক্কী সব দিষ্ট্রিক্ট ওফিসনা থারকখিবা মেসেজ অদুনা খঙহল্লিবদি রেসিদেন্টশিংনা এন্টিজেন টেষ্টিং চথুগদবনি হায়বসিনি।

ঝাংনা হায়, মখোয়না ঐখোয়দা থোঙগী মপানদা পেপর বেগ নত্তগা বাস্কেট অমা থম্নবা খঙহল্লক্লি। ভোলুন্টিয়রশিংনা য়ুমথোং খুদিংগী এন্টিজেন হোম-টেষ্টিং কিদশিং য়েন্থোকপা য়ানবগীদমক পেপর বেগ নত্তগা বাস্কেট অদু থোঙ্গালদা থম্নবা খঙহনবনি। য়ুমগী মীওইশিংগী মিং পুম্নমক উৎপা নোট অমসু থোঙদা থেৎকদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি এন্টিজেন হোম-টেষ্টিং কিটশিং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা মহাক্কী য়ুমদা থারকখি অমসুং ইমুংগী মীওই অমনা মিনিট খরগী মনুংদা টেষ্ট তৌখি।

রিজল্টশিং লোইনমক নেগেটিব ওইখি। ঐখোয়না ফোটোশিং সব দিষ্ট্রিক্টশিংদা অপলোদ তৌখ্রে হায়না ঝানা ফোঙদোকখি।

সাংহাই ম্যুনিসিপাল হেল্‌ঠ কম্মিসনগী মতুং ইন্না লাইচৎ অদুবু থেংনবদা মতেং পাঙনবা নক্লবা প্রোভিন্সশিং ওইরিবা জে জিয়াং, ঝাংসু অমসুং অনহুইদগী মেদিকেল টিমশিং সাংহাইদা লাক্লে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা সাংহাই ৱাল্ড এক্সপো একজিবিসন এন্দ কনভেন্সন সেন্টরগী টেম্পররি হোস্পিটালদগী অহানবা বেজকী ওইবা কোভিদ ১৯ পেসেন্ট মাপন দিসচার্জ তৌখি। মখোয় ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট রিজল্টশিংদা নেগেটিব ওইরম্বদগী দিসচার্জ তৌখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা চহী ১১ দগী চহী ৮০ হেনবা ফাওবগী মনুংদা লৈবা পেসেন্ট ২০০ হেন্না হোস্পিটাল অদুদগী দিসচার্জ তৌখি। মার্চ ২৫ দা হাংখিবা টেম্পররি হোস্পিটাল অদুদা লাইওং অমত্তা চেন্দবা অমদি অশোনবা লাইওংশিং চেনবা পেসেন্ট ৭১০০ হেন্না লায়েংখি। মফম অদুদা মেদিকেল ষ্টাফ ৯০০ রোম্না থবক তৌদুনা মেদিকেল সপোর্ট পীরি।

সাংহাইদা লৈবা অতোপ্পা টেম্পররি ফেসিলিটিশিংদসু নোংমাইজিং নুমিত্তগী পেসেন্টশিং থাগৎলকপা অমদি দিসচার্জ তৌবা উখি।

# কার্লিফোনিয়াগী কেপিটেলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিরে, ১২ না অশোক অপন নঙখ্রে

সক্রামেন্টো, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

কার্লিফোনিয়াগী কেপিটেল সিটি সক্রামেন্টোদা থোকখিবা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা সক্রামেন্টো পুলিসকী চীফ কেথিলেষ্টরনা হায়খি, মদুদি দাউনটাউনদা থোকখিবা অচৌবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমগী মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা নুপা অহুম অমসুং নুপী অহুম শিখি।

তৌইগুম্বসুং পুলিস চীফ অসিনা সস্পেক্ট নত্তগা মীহাৎশিং অদুগী মরমনচিংবা অকুপ্পশিং ফোঙদোকখিদ্রি।

লেষ্টরনা হায়খি, মদুদি অনকপদা লৈবা বিল্ডিংশিং নোংমৈ কাপ্পদা পানখি অমসুং থৌদোক থোকফম অদুদা হুরাল্লকপা হেনগন অমা ফঙখি।

থৌদোক অদুদা সুটর কয়া মরুম চেন্নরম্বা য়াই হায়না ইনভেষ্টি-গেটরশিংনা ফোঙদোরকখি।

পুলিস চীফ অসিগী মতুং ইন্না নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা এরিয়া অদুদা পেত্রোল্লিং তৌরিবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি।




থৌদোক থোকফমদা থুংখিবা পুলিসনা লম্বীদা য়াম্লবা মীয়াম পুল্লম্বা থেংনখি অমসুং মফম অদুদা লৈরম্লিবা ভিক্তিমশিংগী থৱায় কন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখি। অদুম ওইনমক মফম অদুদা লৈরম্বা ভিক্তিম তরুক শিরে হায়না লাউথোকখি।

লোকেল কেসিআরএ ৩ ন্যুজ চেনেলদা শন্দোকখিবা ভিদিও অমদা অহানবদা লম্বীদা নহা ওইরিবা মীওই খরনা অমগা অমগা ফানবা উবগা লোয়ননা মদুগী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি।

কেসিআরএ ৩ না ফোঙদোক-খিবদা ভিদিও অদুদা মখোয়না নোংমৈ কাপ্পগী মখোল ৭৬ দিটেক্ট তৌখি অমসুং সিটি অদুগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্লি হায়রি।

লেষ্টরনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা মীয়ামদা প্লি অমা ইস্যু তৌরদুনা থৌদোক অদুগী রেকোর্দিং লৈবা মীওইশিং নত্তগা ৱিটনেসশিংনা পুলিসতা কন্টেক্ট তৌরক্লবা হায়খি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ুএসতা নোংমৈগী ভাইওলেন্স হেনগৎলকপা উখি।

থৌদোকশিং অদু মরু ওইনা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না শেল থুম অমসুং সোসলগী ওইবা হিরমশিংদা অকায়বা পীবা, কুমজা ২০২০ গী ইলেক্সন অমদি নোংমৈ য়োনবগী চাং হেনগৎলকপনা ওইবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা মত পীরি।

চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা গন ভাইওলেন্সনা মরম ওইদুনা মীওই ১৭,০০০ হেন্না শিখ্রে নত্তগা অশোক অপন নঙখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা য়ামদ্রবদা পাক্তক্লনা মীয়ামদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক ১১০ থোকখি।

# ইক্বাদোরগী প্রিজন রাইওটতা ইনমেট ১২ শিখ্রে



ক্বিটো, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

ইক্বাদোরগী জেল অমদা থোক্লকখিবা ভাইওলেন্ট রাইওট অমদা য়ামদ্রবদা ইনমেট ১২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০ না অশোক অপন নঙলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রাইওট অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্বেনকা সিটিগী টুরি প্রিজনদা থোকখিবনি। প্রিজন অদু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা করেকস্নেল সেন্টরশিংগী মনুংদা অমনি। রাইওট অদুগী রেস্পোন্স ওইনা গভর্নমেন্টনা লো এন্দ ওর্দর হঞ্জিলহন্নবা নেসনেল পুলিস অমসুং আর্ম ফোর্সেসকী মেম্বর ৮০০ হেন্না থাজিনখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর পট্রাসিও করিলোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা ভিক্তিম ১২ আইদেন্টিফাই তৌরে। রাইওট অদু মরু ওইনা ওর্গনাইজেসন অমনা সেন্টর অদুদা পৱার মপুং ফানা পায়বা পাম্বদগী থোরকখিবনি।

ওর্গনাইজেসন অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎপা সেল খরসু লৈ। ইরাং মনুংদুদা অশোক অপন নঙলবা মীওই তরা য়াওনা প্রিজন্নর ৯০ মফম অদুদগী হোন্দোকখি। লাইবক থীবদি লৈবাক অসিগী প্রিজনশিং মতম শাংনা পর্মেনেন্ট থ্রেট অমা ওইদুনা লাকখি।

তৌইগুম্বসুং ঙসিদি ঐখোয়না পুক্কিংগী অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা অসিগুম্বা হাৎন শুনবগী ইরাং লেপহন্নবা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎলগনি।

লৈবাক অসিগী অতৈ জেলশিংদা রাইওট থোরকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না করিলোনা ফোঙদোকখি।

অমগা অমগা য়েংথিনরিবা গেঙশিংগী মরক্তা মফম কন্ট্রোল তৌনবা খুৎ থোক্লরকপদগী হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইক্বাদোরগী জেলশিংদা হাৎন শুনবগী ইরাং তোইনা থোরকপা উখি। কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা জেল রাইওটতা প্রিজন্নর ১১৬ শিখি অমসুং অতৈ ৮০ না অশোক অপন নঙখি।

# দিসিদেন্টশিং য়ুএস এম্বেসিদা চৎখি হায়বা পাউ ফঙলে: ইমরান খান

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী নেসনেল এসেমব্লি নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রোরোগ তৌখিবা মতুংদা পিটিআইগী লুচিংবা কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা চঙশিন্দুনা খঙহৌদনা থাংলকখিবা মায় পাক্লবা খোঙথাং অদুগী মখোয়না ইমরান খানবু থাগৎখি হায়না দোনগী রিপোর্টনা হায়রি।

টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙবদা ইমরান খাননা দিসিদেন্টশিংদা হায়খি, মদুদি নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিল (এনএসসি) না নো ট্রুষ্ট রিজোলুসনদা মপানগী ফোর্স চেন্নবগী ৱাফম কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা মোসন অদুগী ভোট মশিং থিনবা হায়বসি মরম চাদ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিষ্টানগী এনভোইগী খুথাংদা কিহনবা মেসেজ অমা থারকখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। এম্বেসেদর অজাদ মজিদকা উন্নখিবা অমদা সাউথ এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়ন এফেয়র্সকা মরী লৈনবা য়ুএস এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট দোনাল লুনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা নেসনেল এসেমব্লিদা পুখৎলিবা ওপোজিসনগী নো-কনফিদেন্স মোসন অদুগী ভোট লৌনবদা থিংহৌবা তারবদি খুদোংচাদবা কয়া লাক্কনি হায়না খঙহনখি হায়বা ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পিটিআইগী দিসিদেন্টশিং য়ুএস এম্বেসিদা চৎখি হায়বগী পাউ মহাক্না ফঙখি। ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মীওইশিং অদুনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এম্বেসিদা তোইনা চৎতুনা দিপ্লোমেটশিং উন্নরিবদুগী মরম করিগীনো হায়বসি হংনিংঙাই ওই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।




দিপ্যুটি স্পিকরগী রুল্লিং অদু ওপোজিসনগী ওইনদি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পাকিষ্টানদা সিভিলিয়ন মার্সিয়েল লো চৎনরক্লিবসি ইমরান খাননা থোকহনবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওপোজিসন পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজগী প্রসিদেন্ট সেহবাস সারিফনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না খানগী ৱারেপ অদু কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাংলোনগী ৱারেপ্তুনি হায়নসু ফোঙদোকখি। প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি খান অমদি মহাক্কী পার্টিগী মীওইশিংনা পাকিষ্টানগী কন্সটিট্যুসনবু ইফোঙ ফোঙনা শিংনরি।

আর্টিকল ৬ খান অমদি নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর কাসিমখান সুরিদা ইম্পোজ তৌগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা সরিফনা ফোঙদোকখিবনি।

পিপিপিগী চিয়ারপার্সন বিলাৱাল ভুটো-জর্দারিনা হায়খি, মদুদি খানগী মায়োক্তা পুখৎলিবা নো কনফিদেন্স মোসনগী ভোট লৌনহন্দবা অসি গভর্নমেন্টনা কন্সটিট্যুসন ভাইওলেট তৌবা খোঙথাংনি। পাকিষ্টানগী কন্সটিট্যুসন ঙাক শেন্নবা অমদি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা ঐখোয়না ইন্সটিট্যুসন খুদিংমক্তা আপিল তৌরি।

ইমরান খানগী মায়োক্তা পুখৎপা নো কনফিদেন্স মোসন রিজেক্ট তৌরদুনা ওপোজিসন্না প্রাইম মিনিষ্টরবু মফমদগী চিংথুনবা হোৎনরকখিবা মরু ওইবা খোঙথাং দিপ্যুটি স্পিকরনা মায় পাকহনখিদবনি।

মহাক্না মোসন অদু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৫ গী মায়োক্তনি হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

চৈরকসিদা ক্যের টেক্কর পিএম অমা খনবগী মতাংদা সজেসন পীরক্লবা পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অরিফ অলবিনা পিএম ইমরান খান অমসুং নেসনেল এসেমব্লিদা ওপোজিসনগী ওইরিবা সেহবাজ সরিফতা লেট্টরশিং থাদুনা খঙহনখ্রে।

# য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টতা নাটোনা খুৎ থিংজিনবগী মায়োক্তা মাদ্রিদতা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অমসুং মদুদা নাটোনা খুৎ থিংজিনবা অসি য়ানিংদে হায়বা অসি উৎতুনা মাদ্রিদতা মীওই চা কয়ানা দেমোন্সট্রেসন পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং এসোসিএসনশিংগী পোপ্যুলর এসেমব্লিনা শিন লাংখিবা দেমোন্সট্রেসন অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা প্যুর্টা ডে এটোচা রেলৱে ষ্টেসনগী মমাঙদা পুনখি অমসুং স্পেনগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্স তম্না চৎখি।

এন্টি-কেপিটেলিষ্ট এসোসি-এসনগী রিপ্রজেন্টেটিব লোরেনা কাব্রেরা অমসুং ওর্গনাইজেসন অদুগী অতৈ লিদর কয়াগী মতুং ইন্না কনফ্লিক্ট অদুনা তোঙান তোঙনবা সেক্তরশিংদা শাথিবা ইফেক্টশিংগা লোয়ননা শোকহল্লবা ওইবনা নাটোগী প্রেসরদা স্পেননা মখা তানা য়ারোইদবনি।

মাদ্রিদতগী লুই অরেভারো কৌবা প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না য়ুক্রেন অমসুং লৈবাক পুম্নমক্তা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবা পাম্মী।

য়ুক্রেনগী মিলিটরি ষ্ট্রগ্গলদা য়ুরোপনা য়াওশিনবগী থৌওং হেঞ্জিল্লক্লিবসিসু ঐখোয়না য়ানিংদে। য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা কনফ্লিক্ট অসিদা চেন্নহন্নবা হোৎনরিবশিং অসি মরু ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইথিলদনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা উৎখিবা এলকানো রোয়েল ইন্সটিট্যুটকী বেরোমিটরগী মতুং ইন্না স্পেনিয়র চাদ ৪৮ না য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম শৌগৎলি অমসুং চাদ ৫২ না কনফ্লিক্ট অদুদা খুৎ থিংজিলহনবা পামদে।

স্পেনিস ওবজার্বেটরি ওফ চাইনা পোলিসিগী দিরেক্তর জুলিও লিওসনা হায়, ৱাশিংতন্না য়ুরোপতা অমদি মফম কয়াবু কন্ট্রোল তৌবা য়ানন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইথিল পীরিবা অসিদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না য়াদুনা য়ুক্রেনদা মুক্লবগী ষ্ট্রেটেজিশিংদা য়াওরোইদবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী কম্মিটমেন্টগী ইন্টরনেসনেল রিলেসনশিং দিমোক্রেটাইজেসন তৌবনা ওইগদবনি অমসুং লান পাম্বগী মওংদা য়ুনিয়ন অসিবু অতৈদগী তোঙান্না তাহন্নবা হোৎনবগী থৌওংশিং চথুরোইদবনি।

য়ুনিয়ন অসিগী লৈবাকশিংগা সোসল ৱেলফেয়রগী থবক থৌরাংশিং হেনগৎহনবগা লোয়ননা মিলিটরি চাদিং হন্থগদবনি হায়না রিওসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।